# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-05-2025)**

**সম্বিত ঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা সম্বিত পত্রনা হায়রি-মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগায়বা য়ারোই অমদি মনিপুরগী মতাংদা মখল অমত্তগী মন্তিকবসু য়ারোই।

শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খ্বালতাবীদা চথখিবা থৌওং অদুবু এম.পি. সম্বিত পত্রনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

মেদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও ক্লিপ্পিং অমদা মহাকা হায়-বি.জে.পিগী ওইনদি মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অসিদা অহোংবা লৈতে। মনিপুরগী অপুনবগী শক্তমগী মতাংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা থমখিবা ৱাফম পল্লদুনা শ্রী পত্রনা হায়-রাজ্য অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাক বগীদমক বি.জে.পিনা খোঙফম চেৎনা লেপলি।

**শিরুই (এল)ঃ** মঙাশুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা উখ্রুল জিলাগী আলুংতাং হুনফুংদা লৈবা মীসন কম্পাউন্দগী টি.বি.জি. ১২৫ হোলদা ৱার্কশোপ, পেনেল দিসকরসননচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসি ঙরাং রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা উখ্রুল জিলাগী ভাঙায়ন শিরুই ভিলেজগী হেরিটেজ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবনি। নুমিৎ মঙানি চথগদবা শিরুই ফেষ্টিবেল অসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি।

মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই চা কয়ানা ফেষ্টিবেল অসি শরুক য়ানবগীদমক লাকরি।

অমরোমদা, শিরুই ফেষ্টিবেল অসিগী ই-পাউ লৌবা চৎপা পাউমী কাংবুশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ফজদা থৌওংশিং চথরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা

ফোংদোক্তুনা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুরনা সরকারগা মরী লৈনবা পাউশিং ফোংলরোই হায়রি। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা ঙরাং পাউমীশিংদা রাজ্যপালদা পীশিনখি। ঙসিসু পাউমীশিংনা মখা তানা মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি।

পাউমীশিংদা ঙরাং চথরকখিবা ফজদবা থৌওং অদুবু এম.এল.এ.- লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা থবক লৌখৎফম থোকই।

**ডে(এল)ঃ** এন্টি টেরোরিজম ডে ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা হৌজিক অয়ুক পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসি হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-রাজিব গান্ধিনা লৈখিদবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-রাজিব গান্ধি লৈখিদবগী ৩৪ শুবা নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবা রাজিব গান্ধিগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। থৌরম অসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনবা থৌরম অসিদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট, সি.ডব্লিয়ু.সি. মেম্বর, সি.এল.পি. মেম্বর, এম.পিশিং, এম.এল.এ.শিং অমদি দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াগনি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেশ চৌধুরিনা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা এস.দি.ওশিং, দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট ওফিসার, দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসার, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার লোয়নখি। খোঙচৎ অদুদা অগাপে চিলদ্রেন হোম, মোদেল অঙ্গনৱাদি সেন্টর, ইন্টিগ্রেটেদ

রিহেবিলিটেসন সেন্টর ফোর এদিক্সনচিংবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৫ দা অকাশবানিগী থোংদা মহাক্কী মন কি বাট থৌরমদা লৈবাক অসিগী অমসুং মপাল লমগী মীয়ামদা মহাক্কী পুকিংগী ৱা ফোঙদোক্কনি। মসি রেদিও থৌরম অসিগী ১২২ শুবা তাঙ্ককি।

মীয়ামা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং তোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮০০দা পীরকপা য়াগনি।

**মিজোরাম ঃ** মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি-লালদু হোমানা হায়রি-মিজোরাম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না লাইরিক হৈবা রাজ্য অমা ওইরে।

কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি-জয়েন্ত চৌধুরি য়াওনা আইজোলদা লৈবা মিজোরাম য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মায় পাকপগী খোঙথাং অসি রাজ্য অসিগী সরকার অমসুং মীয়ামনা অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নবদগীনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামবু হেন্না শক্তি লৈহন্নবগীদমক লাইরিক হৈহনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙথাংনি। ইং ২০২১ গী সেন্সসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মিজোরামদা অসি লাইরিক হৈবগী চাং ৯১.৩৩ ওইদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরম্বনি। নবা ভারত সকসাস্ত্রা করিয়াকারম (ন্যু ইন্দিয়া লিটরেসি প্রোগ্রাম) গী মখাদা রাজ্য অদুগী মীপুম খুদিংমক অমত্তা চিত্থদনা লাইরিক হৈহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা মরম ওইদুনা মায় পাকপা অসি পুরকপা ঙমখিবনি।

**সিপ ঃ** লৈবাক অসিগী অরিবা মতমদগী চৎনরকপা মওংদা শাবা ষ্টিচ সিপ মখলগী জহাজ ভারত নেভিনা ঙসিদগী করনাতক্কী নেভেল বেজতা শিজিন্নবা হৌরগনি। থৌরম অসিদা কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রি-গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট য়াওগনি।

জহাজ অসি অজান্টা কেপসতা লৈবা মঙাশুবা চহি চাগী অয়েকপা শক্তম

অমদগী লৌথোক্লগা মতৌ তমদুনা কেরলাগী আর্টিসিয়ানশিংনা শাবনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং রাজস্থানগী বিকানেরদা লুপা কোতি লিশিং ২৬ হেন্না চংগদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্লগনি।

প্রোজেক্ট অসিনা রাজস্থানদা রেলৱে, মৈ, ঈশিং অমসুং লম্বী থোংশিং শেমগৎ শাগৎপগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না পানরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৮ গী পুন্না জিলা ৮৬ তা নৌনা শেমগৎপা অমৃট ষ্টেসন ১০৩ শঙ্গাগনি। বিকানের-মুম্বাই এক্সপ্রেস রেলগাড়িসু প্রধান মন্ত্রিনা লমথাদুনা হৌদোক্কনি। অমৃট ভারত ষ্টেসন স্কিমগী মখাদা নৌনা শেমগৎপা ষ্টেসন লিশিং ১,৩০০ হেনবদা মতমগা চুনরবা মচাক মথুম কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবকসু চথরি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা চ়রু-সাদুলপুর রেল লম্বী শেমগৎনবা যাত্রাসু হুনগনি।

**কঞ্জুমর ঃ** কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ অমসুং পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি-প্রহ্লাদ যোসিনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা দিপো দরপন, অনা মিত্রা অমসুং অনা সাহয়াতা এপশিং হৌদোকখ্রে। এপশিং অসি দিজিটেল ইনোভেসনগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী চিঞ্জাক্কী সেক্যুরিতি লৈহন্নবগী থবক য়াংশিলহন্নবা সরকারগী পান্দম অদুগা চুন্ननা শেম্বনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী যোসিনা হায়-ই-গভরনান্সকী পাম্বৈ ওইনা পুথোক্লিবা এপশিং অসিনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং পব্লিক দিষ্ট্রিব্রুসন সিষ্টেম মতমগা চুন্ননা শেমদোকপদা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়-মসিনা থবক নীংথিনা তৌবা, থবক্কী মগুন, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং থবক তৌবগী হৈ-শিংবা হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শিরুই ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিং আর্মিনা থিংল্লকখ্রে, পাউমীশিংনা য়ানিংদবগী খোঙজং চংশিনখিবা অমদি গভনরদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী পাউ অমসুং রাজনিতি দল য়াওনা লুপ কয়ানা মসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মহা রেজিমেন্টনা এম.এস.টি. বস উখ্রুল তমা চৎপা য়ারোই হায়বদগী পাউমীশিং থ্বালতাবীদগী হল্লকখ্রে। পাউমীশিংনা গভনরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে, লৈঙাক্কী পাউ ফোংদনবা ঙারেপখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল, মোরনিং বেল, অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অদু ষ্টেট লৈঙাক্কী মমায় অনি লোংবা পুকচেল শেংদবগী থৌওং উৎথোকপনি হায়বা ফোক্সকী ঙাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বি.জে.পিনা তুমিন্না য়েংদুনা খক লৈরোই, লৈঙাক অমদি গভনরনা শেংদোক্কদবনি হায়বা কংগেসকী ঙাফম -এম.এল.এ. নিশিকান্তানা কন্দেম তৌরি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মহার রেজিমেন্টকী থৌওং কন্দেম তৌই-কোকোমি হায়বা পাউ অমা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ইন্টিগ্রীতিগী মতাংদা মন্তিকবা য়ারোই-সম্বিত বত্রা হায়বা পাউ

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

লমদমসিদা লৈরিবা নাগাশিংনা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট য়োকখৎতুনা ফুরুপ অসিগী হেরিটেজ প্রিজার্ব তৌদুনা থল্লি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা প্রাইবেট পার্টিশিংদা পীথোকখিবা রিজার্ব ফোরেষ্টকী লমশিং অমুক হন্না লৌশিন্নবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মচু শঙদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-অন্সমনা ইন্দো-নাগা পিছ প্রোসেস মখা তানা শৌগৎলি। নাগা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীরকবা দিমান্দ তৌরি হায়না অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা মঙাশুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল উখ্রুলগী শিরুই ভিলেজতা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানাব হেদলাইন তৌরি।